ওল মণিপুর শুটিং কম্পিটিসনঃ

অজয় সিংহ হুইদ্রোম্না গোল্ড মেদল ২ লৌদুনা অনৌবা ষ্টেট রেকোর্দ থমখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৬ : মণিপুর রাইফল এসোসিএসন্না শিন্দুনা খুমন লম্পাক শুটিং রেঞ্জ কমপ্লেক্সতা শুটর নুপা ১২০ অমদি নুপী ৫৬ পূন্না শুটর ১৭৬ না শরুক য়াদুনা চথরিবা ২৭ শুবা ওল মণিপুর শুটিং কম্পিটিসন ২০১৭ কী ঙসি তরুকনি চনবা নুমিৎতা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট রাইফলস এসোসিএসনগী অজয় সিংহ হুইদ্রোম্না গোল্ড মেদল অনী লৌখিবগা লোয়ননা অনৌবা ষ্টেট রেকোর্দসু থম্না ঙমখ্রে।

নুমিৎ নিপান্নি চুপ্পা চথুগদবা টুর্নামেন্ট অসিদা য়ুনিট মঙাদগী অপূনবা নুপা নুপী শুটর ১৭৬ না লম্বানদুনা অথোই অহেন তান্নরি।

কম্পিটিসন অসিগী ঙসি তরুকনি চনবা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা মিটর ২৫ গী নুপীগী ইন্দিভিজুএলগী স্পোর্টস পিষ্টল ইভেন্টতা আই ঈ দি আর এগী লাইশ্রম মেসিয়া দেবীনা অহানবা সেরিজদা ৭৮, অনীশুবা সেরিজদা ৮৮ অমদি অহুমশুবা সেরিজদা ৮৩ পূন্না ২৪৯ কাপ্তুনা গোল্ড মেদল, আই দল্লিয়ু দি আর এগী সোইবম সায়া দেবীনা অহানবা সেরিজদা ৮৪, অনীশুবা সেরিজদা ৭৯ অমদি অহুমশুবা সেরিজদা ৮১ পূন্না ২৪৪ কাপ্তুনা শিলভর মেদল অমদি আই ঈ দি আর এগী পিঙ্কি চান্দমনা অহানবা সেরিজদা ৭৩, অনীশুবা সেরিজদা ৬৯ অমদি অহুমশুবা সেরিজদা ৮৪ পূন্না ২২৬ কাপ্তুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।

ইভেন্ট অসিমক্কী জুনিয়র মেন ইন্দিভিজুএলদা আই দল্লিয়ু দি আর এগী অজয় সিংহ হুইদ্রোম্না অহানবা সেরিজদা ৯২, অনীশুবা সেরিজদা ৯১ অমদি অহুমশুবা সেরিজদা ৯৪ পূন্না ২৭৭ কাপ্তুনা গোল্ড মেদল লৌখিবগা লোয়ননা সাই আর সীগী কে লেনিন্না ১৩ শুবা ওল মণিপুর শুটিং কম্পিটিসন্দা পোইন্ট ২৭৫ কাপ্তুনা থম্লম্বা ষ্টেট রেকোর্দ অদু থুগাইদুনা অনৌবা রেকোর্দ থম্না ঙমখি। আই দল্লিয়ু দি আর এগী ভিক্তর নাওরেম্না অহানবা সেরিজদা ৮৮, অনীশুবা সেরিজদা ৮৫ অমদি অহুমশুবা সেরিজদা ৯০ পূন্না ২৬৩ কাপ্তুনা শিলভর মেদল অমদি আই দল্লিয়ু দি আর এগী জেক্সন লোংজম্না অহানবা সেরিজদা ৮৪, অনীশুবা সেরিজদা ৮৭ অমদি অহুমশুবা সেরিজদা ৮৫ পূন্না ২৫৬ কাপ্তুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখ্রে।

মিটর ২৫ গী জুনিয়র মেন'স ইন্দিভিজুএলগী ষ্টেন্দর্দ পিষ্টল চেম্পিয়নশিপ্তা আই দল্লিয়ু দি আর এগী অজয় সিংহ হুইদ্রোম্না অহানবা সেরিজদা ৯২, অনীশুবা সেরিজদা ৮৬ অমদি অহুমশুবা সেরিজদা ৮৯ পূন্না ২৬৭ কাপ্তুনা গোল্ড মেদল, আই দল্লিয়ু দি আর এগী ভিক্তর নাওরেম্না অহানবা সেরিজদা ৮৬, অনীশুবা সেরিজদা ৭৩ অমদি অহুমশুবা সেরিজদা ৭৯ পূন্না ২৩৮ কাপ্তুনা শিলভর অমদি আই ঈ দি আর এগী খাগেম্বা লৌক্রাকপমনা অহানবা সেরিজদা ৭৫, অনীশুবা সেরিজদা ৭৬ অমদি অহুমশুবা সেরিজদা ৭৫ পূন্না ২২৬ কাপ্তুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।

মিটর ৫০ গী মেন'স ইন্দিভিজুএলগী ফ্রি পিষ্টল চেম্পিয়নশিপ্তা আই দল্লিয়ু দি আর এগী কাংজম প্রেম সিংহনা অহানবা সেরিজদা ৮৯, অনীশুবা সেরিজদা ৮৯ অমদি অহুমশুবা সেরিজদা ৮৫ পূন্না ২৬০ কাপ্তুনা গোল্ড মেদল লৌখিবগা লোয়ননা কুমজা ২০০১ দা পাঙথোকখিবা ওল মণিপুর শুটিং কম্পিটিসন্দা মণিপুর রাইফলস এসোসিএসনগী অমাকচম গৌতম্না থম্লম্বা ষ্টেট রেকোর্দ অদু থুগাইদুনা অনৌবা রেকোর্দ থমখি।

আই ঈ দি আর এগী অমাকচম গৌতম মীতৈনা অহানবা সেরিজদা ৭৮, অনীশুবা সেরিজদা ৮৬ অমদি অহুমশুবা সেরিজদা ৮৯ পূন্না ২৫৩ কাপ্তুনা শিলভর অমদি আই ঈ দি আর এগী অমর লৈমপোকপম্না অহানবা সেরিজদা ৭৫, অনীশুবা সেরিজদা ৮৮ অমদি অহুমশুবা সেরিজদা ৮২ পূন্না ২৪৫ কাপ্তুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।

ইভেন্ট অসিমক্কী জুনিয়র মেন ইন্দিভিজুএলদা আই ঈ দি আর এগী অমাকচম গৌতম মীতৈনা অহানবা সেরিজদা ৭৮, অনীশুবা সেরিজদা ৮৬ অমদি অহুমশুবা সেরিজদা ৪৯ পূন্না ২৫৩ কাপ্তুনা গোল্ড মেদল লৌখিবগা লোয়ননা কুমজা ২০১৬ তা পাঙথোকখিবা ২৬ শুবা ওল মণিপুর শুটিং কম্পিটিসন্দা আই ঈ দি আর এগী অমাকচম গৌতম মশামক্তা পোইন্ট ২৪৩ কাপ্তুনা থমখিবা ষ্টেট রেকোর্দ অদু থুগাইদুনা অনৌবা রেকোর্দ থমখি।

জে এস আর ওফ আই পি এসকী জুপিটর অসেম্না অহানবা সেরিজদা ৮০, অনীশুবা সেরিজদা ৮৫ অমদি অহুমশুবা সেরিজদা ৬৯ পূন্না ২৩৪ কাপ্তুনা শিলভর মেদল অমদি আই দল্লিয়ু দি আর এগী অজয় সিংহ হুইদ্রোম্না অহানবা সেরিজদা ৬৫, অনীশুবা সেরিজদা ৭৩ অমদি অহুমশুবা সেরিজদা ৭৫ পূন্না ২১৩ কাপ্তুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।

মিটর ১০ গী সব জুনিয়র ৱিমেন'স ইন্দিভিজুএলগী ১৭৭ পিপ সাইদ এয়র রাইফল চেম্পিয়নশিপ্তা বি এস আই এস সীগী লৈতান্থেম ষ্টেসিনা অহানবা সেরিজদা ৯০, অনীশুবা সেরিজদা ৯০, অহুমশুবা সেরিজদা ৯১ অমদি মরিশুবা সেরিজদা ৯৪ পূন্না ৩৬৫ কাপ্তুনা গোল্ড মেদল, বি এস আই এস সীগী জয়োতিকা লাইশ্রম্না অহানবা সেরিজদা ৯০, অনীশুবা সেরিজদা ৮৮, অহুমশুবা সেরিজদা ৯১ অমদি মরিশুবা সেরিজদা ৮৬ পূন্না ৩৫৫ কাপ্তুনা শিলভর মেদল অমদি বি এস আই এস সীগী জেনিফর লাইশ্রম্না অহানবা সেরিজদা ৯৩, অনীশুবা সেরিজদা ৮৫, অহুমশুবা সেরিজদা ৮৯ অমদি মরিশুবা সেরিজদা ৮৫ পূন্না ৩৫২ কাপ্তুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।

মিটর ১০ গী মেন (আই এস এস এফ) চেম্পিয়নশিপ ইন্দিভিজুএলদা আই দল্লিয়ু দি আর এগী কাংজম প্রেম সিংহনা অহানবা সেরজদা ৯৬, অনীশুবা সেরিজদা ৯২, অহুমশুবা সেরিজদা ৯২, মরিশুবা সেরিজদা ৯৪, মঙাশুবা সেরিজদা ৯৬ অমদি তরুকশুবা সেরিজদা ৯৩ পূন্না ৫৬৩ কাপ্তুনা কুমজা ২০১৫ দা পাঙথোকখিবা ২৫ শুবা ওল মণিপুর শুটিং কম্পিটিসন্দা ইম্ফাল ৱেষ্টকী অজয় সিংহ হুইদ্রোম্না ৫৬১ কাপ্তুনা থমখিবা অনৌবা ষ্টেট রেকোর্দ থুগাইদুনা গোল্ড মেদল, আই ঈ দি আর এগী খাগেম্বা লৌক্রাকপমনা অহানবা সেরিজদা ৯৩, অনীশুবা সেরিজদা ৮৯, অহুমশুবা সেরিজদা ৯৮, মরিশুবা সেরিজদা ৯৪, মঙাশুবা সেরিজদা ৯৩ অমদি তরুকশুবা সেরিজদা ৯২ পূন্না ৫৫৯ কাপ্তুনা শিলভর মেদল অমসুং আই দল্লিয়ু দি আর এগী অজয় সিংহ হুইদ্রোম্না অহানবা সেরিজদা ৯৩, অনীশুবা সেরিজদা ৯২, অহুমশুবা সেরিজদা ৯৭, মরিশুবা সেরিজদা ৯১, মঙাশুবা সেরিজদা ৯০ অমদি তরুকশুবা সেরিজদা ৯২ পূন্না ৫৫৫ কাপ্তুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।

ৱাই কেসো সিংহ মেমোরিএল সেনিয়র বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট

বি বি সী, বিদ্যানগরনা পি ৱাই সী, ফাইথোলবু, এন ৱাই সী নামদাইলুংনা আর ৱাই সী রামগাইজাংবু মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৬ : ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসন্না শিন্দুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্লে গ্রাউন্দদা ঙসিদগী তরেৎশুবা ৱাই কেসো সিংহ মেমোরিএল সেনিয়র বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭ চথবা হৌখ্রে।

হৌদোকপা নুমিৎকী শান্নখিবা মেচতা বি বি সী বিদ্যানগরনা পি ৱাই সী ফাইথোলবু অমসুং এন ৱাই সী নমদাইলোংনা আর ৱাই সী রাজগাইজাংবু মায়থীবা পীদুনা মথং রাউন্দগীদমক খুমাঙ চাউশিনখি।

টুর্নামেন্ট অসি হৌদোকপগী থৌরমদা য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টসকী সুপরিন্টেন্দেন্ট এম টিলোক সিংহনা চীফ গেষ্ট অদুগা এস মনিতোন সিংহনা প্রসিদেন্ট ওইনা দাইজ মেম্বরশিং ওইখি।

টুর্নামেন্ট অসি দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয় কুমার সিংহনা মহাক্কী লৈখিদ্রবা অপোকপা ৱাই কেসো সিংহগী মিংদা কৎপনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি হৌদোকপা নুমিৎকী ওপনিং মেচতা বি বি সী বিদ্যানগর অমদি পি ৱাই সী ফাইথোল অনীনা শান্নখি।

মেচ অদুদা বি বি সী বিদ্যানগরনা পি ৱাই সী ফাইথোলবু ২৫-১৩, ২৫-২৩, ২৫-৭ তা মায়থীবা পীখি। অদুগা অনীশুবা মেচতা এন ৱাই সী নমদাইলুং অমদি আর ৱাই সী রামগাইজাং অনীনা শান্নখি। মেচ অদুদা এন ৱাই সী নমদাইলুংনা আর ৱাই সী রামগাইজাংবু ২৫-২১, ২৫-২১, ২৫-১৫, ২৭-২৫ দা মায়থীবা পীখি। মেচ অদু এ দিলিপ সিংহ অমদি এ পবাহল সিংহ অনীনা মেচ রেফ্রি ওইদুনা চথখি।

অনিসনা রেপিদ ফয়র পিষ্টলদা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখ্রে

ন্যু দেল্লি, মে ২৬ : অনিসনা পলজেনদা চথরিবা ২৭ শুবা মীটিং ওফ শুটিং হোপস ইন্টরনেসনল কম্পিটিসনগী ইরাই নুমিৎতা পাঙথোকখিবা রেপিদ ফয়র পিষ্টল ইভেন্টতা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখ্রে।

হাফৱে ষ্টেজদা পোইন্ট ২৮৩ কাপখ্রবা মতুং অনিসনা সেকেন্দ ষ্টেজদা মশক থোকপা পার্ফোমেন্স পীখিদুনা পোইন্ট ২৮৭ কাপ্তুনা ফাইনেল চঙখি। অনিসনা চেক রিপব্লিক্কী মাটেজ রামপুলাবু নমহৎলম্লগা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

ইভেন্ট অদুদা ফ্রান্সকী ক্লিমেন্ট গ্রেফিয়রনা ২৭ (৫৭০) কাপ্তুনা গোল্ড মেদল অমদি যুক্রেনগী পাব্লো ক্রেপোষ্টনিয়টনা ২১ (৫৭৩) কাপ্তুনা শিলভর মেদল লৌখি। নুপীগী জুনিয়রগী এয়র রাইফলদা রসিয়াগী মারিয়া ইভানোভানা ২৪৭.৭ (৪১৭.৬) কাপ্তুনা গোল্ড মেদল লৌখি।

ষ্টেট লেভেল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ হৌদোকখ্রে

ষ্টেট অসিগী অপূনবা পুজিলিষ্ট ২৫৬ না অথোই অহেন তান্নরি

ইম্ফাল, মে ২৬ : মণিপুর অমেচর বোক্সিং এসোসিএসন্না শিন্দুনা খুমন লম্পাক বোক্সিং এরেনাদা এম পি এস সী য়াওনা দিষ্ট্রিক্ট ১১ দগী নুপা পুজিলিষ্ট ১৬৩ অমদি নুপী পুজিলিষ্ট ৯৩ পূন্না ২৫৬ না শরুক য়াদুনা ঙসিদগী ষ্টেট লেভেল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৭ হৌদোকখ্রে।

চেম্পিয়নশিপ অসি হৌদোকপগী থৌরমদা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয় কুমার সিংহনা চীফ গেষ্ট, এদিসনেল দি জি পি (ইন্টিলিজেন্স) অমদি এম পি এস সীগী সেক্রেটরি পি দোঙ্গেল (আই পি এস) না প্রসিদেন্ট অমসুং হোরাইজন হোস্পিটাল এন্দ রিছার্স ইনষ্টিট্যুট পোরোম্পাৎকী মেনেজিং দিরেক্টর ডা. ৱাই য়াইমা সিংহ অমদি ১৬৫ শুবা ইনফেন্ট্রি বটালিয়ন (টিএ), (ঐচ এন্দ ঐচ) আসামগী কম্মান্দিং ওফিসর কোলোনেল সঞ্জয় মোথেনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অসিগী চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমারনা হায়খি, মণিপুর অসি স্পোর্টসকী পৱার হাওস অমনি হায়না হায়নদুনা লাক্লি। মসিদা বোক্সিং মশান্না অসি মরুওইবা অমা ওইনা লৌবা য়াই। মশান্না অসিদা ইন্টরনেসনল লেবেলদা মেরি কোম, সরিতানচিংবা লৈখ্রে। অদুগা নুপাগীদা দেবেন্দ্রো, সুরঞ্জয়নচিংবা ময়াম অমসু লৈরি।

মশান্না অসিবু হেন্না চাওখৎহন্নবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈরি। মণিপুরগী শক্লাইরবী বোক্সর এম সী মেরি কোম অমদি লাইশ্রম সরিতা অনীনা মশা মশাগী একাদেমিশিং লিংখৎতুনা মশান্না অসিবু য়োকখৎননবা অচৌবা থৌদাং লৌরি। মখোয়না লৌরিবা থৌদাং অসিগুম্না অতোপ্পা মমিং লৈরবা বোক্সরশিংনসু তৌহন্নীংবগী অপান্বা ৱাফম থমখি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, মশান্না অসি হৌজিক মনিংদা হল্লকপগী ফীভম অমা লৈরিবা অসি মরী লৈনবশিংনা কৃপ্পা য়েংশিন্দুনা অশোয়বশিং চুমথোক্ননবগী মতম য়ৌরে। মসিদা তঙাইফদনা মথৌ তাবশিং গভর্ণমেন্টকী সাইদতগী ঙম্বা মতেং পাঙগনি হায়বা ৱাফম দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

অহৌবা নুমিৎকী ওপনিং বাউটতা চথখিবা সব জুনিয়রগী কেজি ৪২-৪৪ ফাওবগী কাঙলুপ্তা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী এস ঐচ রাহুলনা উখ্রুলগী আর বিসো কোইরেংবু মায়থীবা পীখি।

অনীশুবা বাউটকী সব জুনিয়র মেন'সকী কেজি ৪৪-৪৬ ফাওবগী কাঙলুপ্তা ককচীংগী থোইথোইবা লোঙজম্না চুড়াচান্দপুরগী এল শ্যামসন মীতৈবু মায়থীবা পীখি।

অহুমশুবা বাউটতা ইম্ফাল ৱেষ্টকী এল রোজিৎ সিংহনা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মজাংপু কামৈবু মায়থীবা পীখি। মরিশুবা বাউটকী সব জুনিয়র মেন'স কেজি ৪৬-৪৮ ফাওবগী কাঙলুপ্তা থৌবালগী টি ঐচ রাজপ্রিয়ার মীতৈনা ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী এ দিপক শর্ম্মাবু মায়থীবা পীখি।

মঙাশুবা বাউটতা উখ্রুলগী টি লময়ানবা মীতৈনা কাংপোকপীগী এম ইমরান আলানবু মায়থীবা পীখি। তরুকশুবা বাউটতা চুড়াচান্দপুরগী এম চুংনৈরেং কোমনা তেংনৌপলগী টি ঐচ বিকিরাজ সিংহবু মায়থীবা পীখি। তরেৎশুবা বাউটতা ককচীংগী এম থোইথোইবা মীতৈনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী রোহনদাসপু মায়থীবা পীখি। ৮ শুবা বাউটতা থৌবালগী টি সোমোরজিৎ মীতৈনা কাংপোকপীগী রাহুল কুমারবু মায়থীবা পীখি।

জুনিয়র ৱিমেন'সকী কেজি ৪৮ গী কাঙলুপ্তা বিষ্ণুপুরগী গ্রেস যুম্নাম্না ইম্ফাল ৱেষ্টকী ঐচ মোনিকা দেবীবু মায়থীবা পীখি। সব জুনিয়র ৱিমেন'সকী কেজি ৪৬-৪৮ ফাওবগী কাঙলুপ্তা ইম্ফাল ৱেষ্টকী টি ঐচ ইলিজানা ইম্ফাল ইষ্টকী লালরিঞ্চনি পাওতুবু মায়থীবা পীখি।

সব জুনিয়র ৱিমেন'সকী কেজি ৪৮-৫০ ফাওবগী কাঙলুপ্তা ইম্ফাল ৱেষ্টকী বোইচোং হাঙসিংনা উখ্রুলগী টি এস ইলিজাবেট চিরুবু মায়থীবা পীখি। সব জুনিয়র ৱিমেন'সকী কেজি ৪২-৪৪ ফাওবগী কাঙলুপ্তা থৌবালগী এল কলপনা দেবীনা বিষ্ণুপুরগী আই অঞ্জলি চনুবু মায়থীবা পীখি। উখ্রুলগী টিমরৈচোন কাসোমৱোসিনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী এ রেবেকা দেবীবু মায়থীবা পীখি। ইম্ফাল ইষ্টকী লিলি কামৈনা থৌবালগী এল ইন্দিরাবু মায়থীবা পীখি। বিষ্ণুপুরগী এস সুরমালা চনুনা উখ্রুলগী এম সরদা দেবীবু মায়থীবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দদা খুমাঙ চাউশিনখ্রে।

শাফবা কে এস ঐচ ভক্তকুমারবু হরাও তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৬ : গুজরাটনা য়ূম্ন ওইদুনা পাঙথোকখিবা ৫৭ শুবা সেনিয়র মাষ্টরস ইন্দিয়াদা চেম্পিয়ন ওইরকখ্রবা কে এস ঐচ ভক্তকুমার ওকপগী থৌরম অমা ঙসি সুসিন্দ্রো ফাউন্দেসন্না শিন্দুনা খুরাই কেন্দ্রগী এম এল এ ওইরিবা হোমগী পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি এল সুসিন্দ্রো মীতৈ (য়াইমা) গী খুরাইদা লৈবা শঙ্গাইদা পাঙথোকখ্রে।

চেম্পিয়ন ওইরকখ্রবা কে এস ঐচ ভক্তকুমারবু ওকপগী থৌরম অদুদা হোমগী পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি এল সুসিন্দ্রোনা চীফ গেষ্ট অমসুং বি জে পি খুরাই মন্দলগী প্রসিদেন্ট এন জি রনবিরনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমগী চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা এল সুসিন্দ্রোনা হায়খি, খুরাই কেন্দ্রগী মীওই অমনা লমদম অসিগী মীংচৎ পুরকপদা নুংঙাইবা ফাওই। ভক্তকুমারবু পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা অমদি মহাক্কী তুংগী খোঙচৎতা থৌনা লিংজেল হাপ্পবগী ৱাখল্লোন্দা ঙসিগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি। থৌরম অসিনা মহাক্না তৌগে হায়না খল্লিবা থবক থৌরমদা মায় পাক্না তৌবা ঙম্নবগী থৌনা হাপ্লগনি হায়বা ৱাফম থমখি।

সেনিয়র মিষ্টর ইন্দিয়াগী টাইটল অমদি মোষ্ট ইমপ্রুভ বোদি বিল্দর ওফ দ ইয়রগী টাইটল ফংলক্লবা কে এস ঐচ ভক্তকুমারবু ইকায়খুম্নবা অমদি পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা সুসিন্দ্রো ফাউন্দেসনগী মায়কৈদগী লুপা লিশীং ২০ খূৎশিন্নখি।

See better through us...

Yumnam Eye Care

RIMS Road, Imphal West Manipur

Computerised Eye Testing & Contact Lens Clinic

NEW SUMMER COLLECTION

Authorized Dealer

K&L LUXOTTICA ESSILOR VOGUE Fastrack Ray-Ban

Consultant Timing :
Morning- 8:00 am - 12.00 noon
Evening- 2:30 pm - 5.00 pm
Sunday - 8:00 am - 12.00 noon

HL-B/3860/11/05-10/06

XIAOMI

Redmi 4X

Big on battery

4100mAh battery, 18-day standby
Snapdragon 435, octa-core processor
5" HD display, classic hand feel
Light and slim: 150g, 8.65mm
3GB RAM + 32GB Storage
13MP camera, 5MP front camera
4G dual SIM, VoLTE support
MIUI 8 Global, Android-based OS

₹ 8,999/-

Available at : SanathoibaPHOTOSHOP
☎ +91 7085909682 Kongba Bazar Near Kitamala Hotel

HL-P/0791/24,27,29,31 may,2,4,6,8,10,12 june



LAI GI MACHA MAYAM
STORY BABU IRENGBA
ILLUSTRATION DEVKR LAISHRAM
অরোইবদনা অঙাং ওইনা পোক্লক্লে।
ꯑꯔꯣꯏꯕꯗꯅꯥ ꯑꯉꯥꯡ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯄꯣꯛꯂꯛꯂꯦ॥
অদুদগী মখোয় মরিদু পোক্লম্লগা নুপীদু লাইগী লৈবাক্তা চৎখ্রে (শিরে)।
ꯑꯗꯨꯗꯒꯤ ꯃꯈꯣꯌ ꯃꯔꯤꯗꯨ ꯄꯣꯛꯂꯝꯂꯒꯥ ꯅꯨꯄꯤꯗꯨ ꯂꯥꯏꯒꯤ ꯂꯩꯕꯥꯛꯇꯥ ꯆꯠꯈ꯭ꯔꯦ (ꯁꯤꯔꯦ)॥
খ্বাইগী অহল লাইরেন্দুনা মমা য়েংনা তেংথারকই।
ꯈ꯭ꯋꯥꯏꯒꯤ ꯑꯍꯜ ꯂꯥꯏꯔꯦꯟꯗꯨꯅꯥ ꯃꯃꯥ ꯌꯦꯡꯅꯥ ꯇꯦꯡꯊꯥꯔꯀꯏ॥
হাদা পলেম ইমা ইবেম্মা, নচা ঐখোয় মরিবু তেক্তা কাইদনা পোকপীরম্লগা অশি লমদম পাংলবোই। হন্দক মপোক্কীদি ইমাগী লমন শিংবা ঙম্লরোইদো, হয়েং মতম অমদা ইনাওশিংগী মতেং পাঙদুনা ইমাগী লমন শিংবা শকচগেকো পলেমও।
ꯍꯥꯗꯥ ꯄꯂꯦꯝ ꯏꯃꯥ ꯏꯕꯦꯝꯃꯥ, ꯅꯆꯥ ꯑꯩꯈꯣꯌ ꯃꯔꯤꯕꯨ ꯇꯦꯛꯇꯥ ꯀꯥꯏꯗꯅꯥ ꯄꯣꯛꯄꯤꯔꯝꯂꯒꯥ ꯑꯁꯤ ꯂꯝꯗꯝ ꯄꯥꯡꯂꯕꯣꯏ॥ ꯍꯟꯗꯛ ꯃꯄꯣꯛꯀꯤꯗꯤ ꯏꯃꯥꯒꯤ ꯂꯃꯟ ꯁꯤꯡꯕꯥ ꯉꯝꯂꯔꯣꯏꯗꯣ, ꯍꯌꯦꯡ ꯃꯇꯝ ꯑꯃꯗꯥ ꯏꯅꯥꯎꯁꯤꯡꯒꯤ ꯃꯇꯦꯡ ꯄꯥꯡꯗꯨꯅꯥ ꯏꯃꯥꯒꯤ ꯂꯃꯟ ꯁꯤꯡꯕꯥ ꯁꯛꯆꯒꯦꯀꯣ ꯄꯂꯦꯝꯑꯣ॥

Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com